# নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী পূন্সি - ২

## (নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোস এরোপ্লেন কাইবদা শিখিবরা নৎত্রগা মীরোৎ ওইনা, শাধু বাবা অমা ওইনা তাইবঙপানবদা ফোঙবা ঙমদবা পাউখোং ওইনা থন্নমখি)

- সৌবাম বিরধজ -

মহাক্কী আই এন এ মথন্তনদি বৃটিশশিংগা লান্থেংনবা ঙম্লোইদৌবনা মহাক জপান্দা চৎপা তাখি। ২৪/০৮/১৯৪৪দা সুভাসচন্দ্রনা রেঙ্গুন রেদিও ষ্টেশনদগী জপান অমসুং আই এন এ লান্মীশিংনা মণিপুরগী ইম্ফালগী লানফমদা মায়থীবা নংখ্রে। অদুম ওইনমক ইন্দিয়াগী মরৈবাক নুংশিবা পূন্নমক্না মমা লৈবাক্কীদমক লান্থেংনগদৌবনি ঐখোয়না মায় পাক্কদৌবা মতমদু লাক্লবনি হায়না সুভাসচন্দ্রনা লাউথোকখি। মহাক্কী ৱাফমশিংদু তাবদগী বৃটিশকী জহাজদা য়াওরিবা ইন্দিয়াগী নেভিগী লান্মীশিংনা ঐখোয়না (সুভাসচন্দ্রগীদমক/ইন্দিয়াগীদমক) লান্থেংনরগনি হায়দুনা জহাজ অদুমক্তদা সুভাসচন্দ্রগী ফোটো থেৎখি। মদু উবদা বৃটিশশিংনা সুভাসচন্দ্রগী মতিক মগুণ অদু খঙখি, ইন্দিয়াগী হিরো অমসুং ইন্দিয়াগী মীয়াম্না সুভাসচন্দ্রবু থাজবগী চাং অদু বৃটিশশিংনা খঙখি, সুভাসচন্দ্রবু থাগৎখি। ইন্দিয়াগী মপান্দা লৈরগা ইন্দিয়াগী মীয়ামদা নীংতম্বগী থৌনা পীবা ঙম্বা অমসুং ইন্দিয়াগী মীয়াম্না সুভাসচন্দ্রদা থাজবা থম্বা হিরো অসিবু বৃটিশশিংনা কিখি। থৌদোক অসিদগী ইন্দিয়াগী মীয়াম্না সিভিল ৱারগী লাল্লোং চথবা হৌখ্রবনি।

**সুভাসচন্দ্রগী অরোইবা নুমিৎ :** এলাইদ ফোর্সতা ইটলিনা ইহান হান্না সরেন্দর তৌখি। ১৩/০৪/১৯৪৫দা জর্মনগী হিটলর মতোমতা সুইসাইদ তৌদুনা শিখিবগী পাউ সুভাসচন্দ্রনা তারবনি। থা খরগী মতুংদা অমেরিকানা জপান্দা ওগষ্ট থাদা এটোম বোম অনীরক থাদরকখি। মদুদগী জপাননা লান মায়থীরে য়াজখিবগা লোয়ননা সরেন্দর তৌখি। মসিগী মতুং সুভাসচন্দ্র বোসকী মপূক্নিংদা বৃটিশশিংনা মহাকপু ফাননবা শোয়দনা হোৎনরক্লগনি অমসুং বৃটিশকী মথক্তা লালহৌবগী বন্দিগী চৈরাক ফংলগনি খনখিবা মাল্লি। ১৬/০৮/১৯৪৫দা থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা পাইরকখি, মফমদুদা সুভাসচন্দ্রগী আই এন এগী হেদ ক্বার্টর লৈরম্মী। মফমদুদা জপানগী লান্মীগী লুচিংবা হেথচিয়াগা থেংনৈ। হেথচিয়ানা হৌজিক্কী ফীভমসিদা জপানদগী মতেংদি ফংলরোই, হৌজিক্তি করম্না তৌবা তাবগে খন্নখি। অহিং অদু সুভাসচন্দ্র তূম্বা য়াখিদে, পূক্নিং য়াম্না লাংতক্লবা, তৌফম খঙদবা মতৌদা মপূক্নিংদা মওন-মওন খল্লকখি। ১৭/০৮/১৯৪৫দা সুভাসচন্দ্র অমসুং মহাক্কী খোঙবু অদু আই এন এগী প্লেন অমদা তোংলগা চৎখি। প্লেন অদু মী তাদবা ভিএটনামগী হো-চিন-মিন সিটিগী এয়রপোর্টতা তাখি। মফমদুদগী আই এন এগী কর্নেল হবিবুর রহমনগা লোয়ননা জপানগী ফাইটর জেট অমদা তোংলগা পাইখি। ভিএটনামগী তুরান তম্না পাইখ্রবা মতুং তুরান্দা অহিং অমা লেকখি হায়বসি ফাওবদি অশেংবা ৱাফম ঙাক্তনি। মতাং অসিদগী মখা চথরকপা ৱাফমশিংদি অঙকপা অমা ওইনা মফম মরাং খঙদ্রবা ঙাক্তনি। অয়ূক অদুমক্তদা মফমদুদগী পাইখ্রগা চাইনাগী টাইপৈ সিটিদা নুংথিল পুং ২দা থুংখি হায়বসিনি। মফমদুদা ব্রেকফাষ্ট তৌরগা রনৱেদা লাক্তুনা প্লেন অদুদা তোংলগা অমুক হন্না পাইখি। পাইলোটনা প্লেনদু মমায় লৈথোক্লগা পাইবা হৌরকপদা ঙাইরিঙৈদা জপানগী প্লেন অদু পোকখায়খি হায়বসিনি।

**১৯/০৮/১৯৪৫গী মতুংগী ৱারীশিং চয়েৎনবগী চয়েৎনবা ঙাক্তনি :** প্লেন কাইবদুদা জপানগী লান্মীগী লুচিংবা হেথচিয়া মফমদুদা শিখি অদুগা সুভাসচন্দ্র মশা অমসুং মমায়-মমিৎ মৈনা চাকখি হায়না কর্নেল হবিবুর রহমনগী পাউদমদগী খঙবনি। রহমননা মখা তারদুনা মহাক্কী মখোঙ নাম্মদা মৈনা চাকখি। মফম অদুদগী অনকপা মিলিটরি হোস্পিটালদা সুভাসচন্দ্রবু লায়েংখি, অদুম ওইনমক সুভাসচন্দ্র কনবা ঙমদনা ইন্দিয়াগী ক্রান্তি লিদর (মরৈবাক নীংবা লুচিংবা) অসি তাইবঙপান থাদোকখ্রে। মফমদুদা নেতাজিগী অরোইবা মথৌ-মঙম পূন্নমক পাঙথোকখ্রে হায়বসি হবিবুর রহমনগী পাউদমশিংনি।

বৃটিশশিংনা সুভাসচন্দ্রগী মরমদা য়াম্না থিগৎখি। সুভাসচন্দ্র অমুক হন্না মীরোৎ ওইখ্রে হায়বসি বৃটিশকী থাজবনি। অমেরিকাগী ন্যুজ এদিটর এলফ্রেদনা পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুগী ইন্টরভিয়ুগী মরক থৎলদুনা, "মহাক মশামক্না নেতাজিবু ভিএটনামদা উরকখি' হায়না ফোঙদোকখি। মসিগী মতুংদা ইন্দিয়াগী ইন্টিলিজেন্স টিম অমনা সুভাসচন্দ্রগী মরমদা থিগৎখি অদুবু কর্নেল হবিবুর রহমনগী পাউ অসি থাজনীংঙাই ওইদে হায়বসি নত্তনা করিগুম্বা অমত্তা ফংখিদে। নেটাজিগী মরমদা জপাননা তোকঙা শন্দোকপনি, নেতাজিগী এরোপ্লেন কদাইদা কাইখিবগে হায়বসিগী মরম বৃটিশশিংনা অমেরিকাগী মতেং লৌদুনা থিজিনবা পামখি। অমেরিকাগী স্পাই টিম অমনা য়াম্না কুপ্না থিজিল্লবা মতুং বৃটিশ-ইন্দিয়াদা পাউ পীরকখি, তাইৱানদা হৌখিবা ১৮/০৮/১৯৪৫দা এরোপ্লেন অমত্তা কাইখিবগী খুদম ফংদে হায়বসিনি।

**ফোঙবা ঙমখিদ্রবা সুভাসচন্দ্রগী পাউখোঙ** - অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও লোইরবা মতুং ষ্টেটলিননা কৈদৌঙৈদসু অমেরিকাগা কুইনা পুনবা য়ারোইদৌবা (লোক অমদা কৈ অনী কুনবা হৌনদবা) মরম্না তুংগীদমক য়েংলগা সুভাসচন্দ্রবু অরোনবা মীরোৎ ওইনা রুসিয়াদা চঙজফম পীখি। সুভাসচন্দ্র রুসিয়াদা লৈ হায়বসি অমেরিকা অমসুং বৃটিশকী ইন্টিলিজেন্সকী মতুংইন্না খঙলবসু/চীংনরবসু, রুসিয়ানা সুভাসচন্দ্রবু অমেরিকা অমসুং বৃটিশকী মখূৎতা শুংতা তাহনখিদে।

অমরোমদা ইন্দিয়াদা কুমজা ১৯৫৫দা শাহ-নৱাজ কম্মিশন অমসুং কুমজা ১৯৭০দা ঘোশলা কম্মিশন অনীরক ফমহনখি। কম্মিশন অনীমক্তা এরোপ্লেন কাইখি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমদু য়ানখিদে। কুমজা ১৯৯৯দা মুখর্জি কম্মিশন ফমখি, কম্মিশন অসিনা তাইৱানদা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদগী খঙলকখি, তাইৱানদা ওগষ্ট ১৯৪৫দা এরোপ্লেন অমত্তা কাইখিদে, সুভাসচন্দ্রসু মফমদুদা শিখিদে হায়বসিনি। বিজয়া লক্ষ্মী পন্দিট নেহরুগী মচন্নুপীনি, মহাক রুসিয়াগী অহানবা এম্বেসেদরনি। মহাক্না রুসিয়াদা লৈরিঙৈদসু নেতাজি সুভাসচন্দ্রবু উখি হায়না ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক মহাক্কী ৱাফমদু মপূং ফাদনা লোইশিনখি।

মতম খরগী তুং নেপালদগী ভগবানজি কৌবা সাধু অমা লক্ষনৌদা লাকখি। শাধু অদুগী আনোক অদু য়াদবদগী আনোক শেম্ফমদা শেমখি। সাধু অদুনা মমায় খজিক হাইদোক্তুনা মহাক্কী আনোক অদু উপশিনবদা নুপা অমনা নেতাজি হায়না কন্না লাউরকখি। খুদক্তা সাধু বাবা মফমদুদগী খূৎলৈ থুনমক চৎখি। ১৬-০৯-১৯৮৫দা ফৈজবাত্তা সাধু অসি লৈখিদ্রে হায়নরকপগা লোয়ননা সুভাসচন্দ্রগী হৌখ্রবা ৱারী পূন্নমকসু অমম্বা ওইনা ফোঙবা ঙমদনা মতম পূম্বগী ওইনা ইরোলনুংদা লুপখ্রে। করিগুম্বা সাধু বাবাদু নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোস ওইরম্বা তারবদি সুভাসচন্দ্র মশাগী চহী ৮৮ হেন্না পূন্সিরমখি হায়না খনবা তাবনি। ●

# খ্বাইদগী শাথিবা ব্রেন কেন্সরগী অনৌবা লায়েং পথাপনা অনাবশিংবু মতম শাংনা হিংহনবা ঙম্লবা য়াই




- রোনেল -

গ্লাইওব্লাষ্টোমা হায়রিবা ব্রেন কেন্সর মখল অসিনা মীওইবা অমবু অতেনবা থা খরগী মতমদা হাৎপা ঙম্মী। অদুবু অনৌবা 'টার্গেটেদ রেদিএশন থেরাপি' মখল অমনা অনাবশিংবু মতম শাংনা হিংহনবা ঙম্লবা য়াই হায়রি।

গ্লাইওব্লাষ্টোমা হায়রিবা ব্রেন কেন্সর অসি থুনা শন্দোক্কনবা অমদি লায়েংবা ঙমদ্রিবা কেন্সর মখল অমনি। কেন্সর মখল অসি অহল ওইরবা মীওইশিংদনা হেন্না নাগল্লি হায়না মায়ো ক্লিনিক রেদিএশন ওনকোলোজিষ্ট ডা. সুজে ভোরানা হায়রি। কেন্সর অসি চহী ৬৫গী মথক ওইরবা মীওইশিংদা থেংনরবদি মখোয় থা ৬তগী ৯ ফাওবদগী হেন্না হিংগন্দেসু হায়রি।

কেন্সর মখল অসি হৌজিক ফাওবা লায়েংবা ঙমদবগী মরমদি লায়না অসিগী লায়ওং উখোরকপা মতমদদি কেন্সর ওইরিবা ট্যুমর (হকচাংদা সেলশিংনা য়াম্না থুনা দিভাইদ তৌদুনা তংদুনা লৈবা মতুম অমা ওইহল্লকপা) অসিগী মশা-মরেংনা ব্রেনদা উ মরাগুম ফুমজিন্দুনা লৈখিবনা সর্জরি তৌদুনা লৌথোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইহনবা চপ চানা খঙবা ঙম্মী হায়রি।

স্কেন তৌদুনা ট্যুমর অদুনা লৈরিবা মফম অমসুং ট্যুমর অদুগী চপ চাবা মওং মতৌ খঙদোক্লবা মতুংদা ডা. ভোরাগী টিমনা প্রোটোন বিম থেরাপি কৌবা রেদিএশন মখল অমনা ট্যুমর অদু টার্গেট তৌদুনা হাৎনবা হোৎনখিবনি। প্রোটোন বিম থেরাপি অসিনা এক্স-রে শীজিন্নবগী মহুত্তা অরুম্বা চার্জদ পার্টিকলশিং ওইনা শীজিন্নরি। মসিগী থেরাপি মেথদ অসিনা কেন্সর সেলশিং অদু হাৎপা ঙম্বতা নত্তনা মসিগা থংননা লৈবা ব্রেনগী টিসুশিংদা শোকহন্দে হায়রি।

ডা. ভোরা অমদি মহাক্কী মপাংশিংগী ক্লিনিকেল ত্রাইএল অদুদা শরুক য়াখিবা চহী ৬৫গী মথক ওইবা পেসেন্ট ৩৯না প্রোটোন বিম থেরাপি অসি চথরবা মতুং মখোয় ৩৯গী মনুংদা ২২দি থেরাপি তৌরবা মতুং চহী অমা হেন্না হিংলমখি। হান্নদি ফোটোন রেদিএশন থেরাপি চথবা পেসেন্টশিং অসি চাংচৎতা থা ৬তগী ৯ ফাওবগী মনুংদা শিগল্লম্বনি। অদুবু ফোটোন বিম থেরাপি তৌবা মীওইশিংদি চাংচৎতা থা ১৩.১ রোম হিংলম্মী হায়রি।

অমসুং সর্জরি তৌবা মতমদা ব্রেনগী টিসু শোকহন্দনা ট্যুমর অদু মরু ফুক্না লৌথোকপা ঙমদবদগীনি। লৌথোক্লে খল্লবসু কেন্সরস ওইবা ট্যুমরগী শরুক খরা খজিক লৈহৌবদগী থা খরগী মনুংদা ট্যুমর অদু হান্নগুম অমুক চাউখৎলকপননি হায়না ডা. ভোরানা হায়রি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ক্লিনিকেল ত্রাইএল অমদা ডা. ভোরা অমদি মহাক্কী মপাংশিংনা গ্লাইওব্লাষ্টোমা পেসেন্টশিংদা রেদিএশন অমসুং পোষ্ট-সর্জিকেল কেমোথেরাপি হেন্না ফবা মওংদা পাঙথোক্লবা হোৎনখি। মখোয়না ট্যুমর অদুনা লৈরিবা মফমশিংদা টার্গেট তৌরগা রেদিএশন থেরাপি চথদুনা পেসেন্টকী ব্রেন টিসুদা শোক্তনবা অমসুং সাইদ-ইফেক্ট থোকহন্দনবা হোৎনখি। রেদিএশন থেরাপিগী সাইদ-ইফেক্ট ওইনা পেসেন্ট অদু ৱাবতা নত্তনা ৱাখল খনবা ঙম্বগী চাংসু হন্থহল্লি। অদুবু মসি থোক্তনবা ডা. ভোরাগী টিমনা হোৎনখিবনি হায়রি।

গ্লাইওব্লাষ্টোমা অসি ফোটোন রেদিএশনগী মতেংনা লায়েং চথবনি। মসিদা হায় ইনর্জি এক্স-রে শীজিন্নদুনা কেন্সর ওইরিবা সেলশিং অদুগী দি এন এ থুগায়দুনা হাৎতোক্লবা হোৎনবনি। মসি তৌনবগীদমক পেসেন্টদা লৈরিবা ট্যুমর অদু এম আর আইগী মতেংনা কদাইদা লৈবগে খঙদোক্লবা হোৎনরি। অদুবু ডা. ভোরা অমদি মহাক্কী মপাংশিংনা পাঙথোকখিবা অনৌবা ত্রাইএল অদুদা ১৮ এফ-দি ও পি এ পি ঈ টি কৌবা অনৌবা ইমেজিং টেক্নোলোজি অমা হাপচিল্লক্লি। মসি পোজিট্রোন ইমিসন টোমোগ্রাফি (পি ঈ টি) স্কেন্নিং হায়বনি। মসিদা ডাক্তরশিংনা পেসেন্টদা রেদিওএক্টিব ওইবা ট্রেসর খরা কাপশিল্লবা মতুং মসি হকচাংগী করম্বা মফমদা চৎখ্রগা তুংশিন্দুনা লৈখিবগে হায়বদু এম আর আই স্কেনগী মতেংনা য়েংগদৌরিবনি। অসুম্না স্কেন তৌরবদি নোর্মেল ওইবা সেলশিংদগী তোঙাল্লবা, মেটাবোলিজম ৱাংলবা কেন্সর সেলশিং অদু কদাইৱাইদা লৈবগে হায়বসি

ডা. ভোরানা ফোঙদোকখিবদা ক্লিনিকেল ত্রাইএল অসিদগী ফংলিবা দাটা অসি অশুক্কী মতিক মরু ওই। ত্রিটমেন্ট চথবদা জিনেটিক্সনা মরম ওইরগা রেজিষ্টেন্ট কয়া ওইদবা গ্লাইওব্লাষ্টোমাগী কেসশিংদি পেসেন্ট অদু চহী ২ হেন্না হিংলম্বসু য়াওরি। চহী খরগী মনুংদা থেরাপি মখল অসিনা খ্বাইদগী শাথিবা ব্রেন কেন্সর অসি লায়েংবদা শোয়দনা মতেং ওইরগনি হায়খি।

ডা. ভোরা অমদি মহাক্কী টিমনা চথখিবা ক্লিনিকেল ত্রাইএল অসিগী রিজল্ট অসি কুমজা ২০২৪গী দিসেম্বর থাদা 'দ লেনসেট ওনকোলোজি' হায়বা জর্নেল অদুদা ফোঙখিবনি। রিজল্ট অসিনা কেন্সর মখল অসি লায়েংবদা মায় পাক্কনি হায়বগী খুদম চাউনা পীবনা মরম ওইরগা মায়ো ক্লিনিকতা গ্লাইওব্লাষ্টোমানা নাবা পেসেন্টশিং চহী খায়দনা ত্রাইএল তৌবা হৌনবা থৌরাং তৌখ্রে। রিসর্চরশিংনা ক্লিনিকেল ত্রাইএলদা অতেনবা মতম খরদমক প্রোটোন বিম থেরাপি তৌখিবদু মহৌশাগী লায়েং পথাপ ওইনা চৎনরকপা চয়োল অহুমদগী তরুক ফাওবা থেরাপি অদুগা করম্বনা হেন্না ফবা রিজল্ট ফংবা ঙম্ব্রা হায়বদুসু য়েংগদৌরি।

নাকল অমরোমদা, য়ুনাইটেদ কিংদমদসু গ্লাইওব্লাষ্টোমা অসি লায়েংবা ঙম্নবগী পান্দমদা অতোপ্পা লায়েং পথাপ অমা শীজিন্নবা হৌখ্রে। মসিদনা ডাক্তরশিংনা সর্জরিগী মতুংদা পেসেন্ট অদুগী ব্রেনদা মেদিকেল দিভাইস অমা শীজিন্নদুনা রেদিএশন দ্রগ অদু হকথেংননা পীশিল্লি। মসিদা নত্তনা গ্লাইওব্লাষ্টোমাগী ট্যুমর সেলশিং অদুদা চেকশিন্না শেম শারবা ইম্যুন সেলশিং থাজিন্দুনা এটেক্ট তৌহল্লগা হাৎনবসু হোৎনরি। হায়রিবা লায়েং পথাপশিং অসিসু গ্লাইওব্লাষ্টোমা লায়েংবদা মায় পাকপা য়াবগী খুদম চাংদম চাউনা পীরি হায়রি। ●

*(ন্যুজ সিন্দিকেটদগী লৌথোকচবা)*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৭কী ৱাহং

১) "পূন্সি য়াচংবা মতম ওইরকলে
ঙাল্লম্বা আশাগী নুমিৎ তাখরে
কনানো ঐগী থোংজিন্দা লেপলিবা
পিথোক পিশিনগী মতমদি লোইখরে।"

মথক্কী ঈশৈ মতেক অসিগী অইবা কনানো? করি লাইরিক্তা য়াওবগে?

২) "জৈনেন্দ্রগী 'ত্যাগপত্র' দা উৎলিবা সমস্যা" হায়বা নৈন-ৱারেং অসি অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসিগী মমিং হায়য়ু? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) "অকনবা শাফুগী ঈরৈ" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা অসি কনানো?

৪) "কন্ঠপুরা" হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫) "লৈতেং য়াওদ্রবা ফজবা" হায়বা ৱারীমচা অসি অইবা অমগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারীমচা অমনি। লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৬কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (২,৫)
২) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৪,৫)
***৩) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৫)***
৪) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (২,৫)
৫) মাইবম কাংজাম্বা মৈতৈ, লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায় - (২,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১০৬কী ৱিন্নর*

***মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ১০৬কী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৬কী পাউখুম

১) মৈতৈলোনগী অহানবা টিকেট লৌদুনা শান্নখিবা ড্রামা অদুগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো? **:- ড্রামাগী মমিং - অরেপ্পা মরুপ, অইবা - সোরোখাইবম ললিত সিংহ, অহুমশুবা ফোঙবা : খৃ: ২০১২।**

২) **"অতিয়া লৈরোনখাদা"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? **:- অইবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা, লাইরিক্কী মখল - শৈরেংগী লাইরিক, অহানবা ফোঙবা : জন্যুৱারী ২০১৯।**

৩) **"শামু হূরানবা অমসুং সনাগী ক্রোস"** হায়বা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোনদগী মণিপুরীদা হন্দোকপনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অসি কনানো? **:- মণিপুরীদা হন্দোকপা - শিজগুরুময়ুম ব্রজেশ্বর শর্ম্মা, অহানবা ফোঙবা : ২০১৩।**

৪) **"মীতৈ থৌরমলোন অরিবা"** কৌবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু। **:- অইবা- লনচেনবা মীতৈ, অহানবা ফোঙবা : খৃষ্ট কুম ২০২৪।**

৫) **"মঙদাবা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং কনানা ইবনো? **:- লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাগী লাইরিক, অইবা - গুরুঅরিবম ঘনপ্রিয়া দেবী, অহানবা ফোঙবা : ওগষ্ট ২০২৪।**

# আর্টিকল থ্রী এমেন্দমেন্ট তৌহল্লগা মণিপুরগুম্বা অপীকপা ষ্টেটশিংগী বাউন্দরি রি-ওর্গনাইজ তৌদনবা খোঙজং চঙশিনবা তঙাইফদে - (২)

- পারি খুমন -

পার্লিয়ামেন্টকী রুলিং অমসুং ওপোজিশন মেম্বর পূন্না খন্নমিন্নরগা মতাং অসি নৈনবীদুনা অপীকপা ষ্টেটশিংগী হিষ্টোরিকেল রেকোর্দ ঙাক শেনবীদুনা অকনবা ইন্দিয়া অমা শেমগৎপদা থৌনা ফনা লেপমিন্নবা চঙই হায়জনীংই। করিগুম্বা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা মখোয়গী পার্টিগী ফোঙদোক্তবা এজেন্দা অমদা অপীকপা মণিপুরগুম্বা ষ্টেট অমগী মতিক ময়াই চেল্লবা ফূরুপ মচা অমবু মরূ ফংনা মূথৎনবগী মওংদা ৱারেপ লৌনবা এজেন্দা অমা পার্লিয়ামেন্টতা মুভ তৌরকপা মতমদা রুলিং অমসুং ওপোজিশন মেম্বর খুদিংমক্না থাঙ্গৎলক্লিবা ৱারেপ অদুগী অচুম-অরান, অফ-ফত্ত মনুং মপান নৈনবিরগা, খুদম ওইনা পঞ্জরবদা মণিপুরগুম্বা য়াম্না পীকপা গুজরাট ষ্টেটকী কটচ দিষ্ট্রিক্টকী পাক চাওবা তঞ্খায় য়ৌদবা, য়ু পি ষ্টেটকী খেরি দিষ্ট্রিক্টকী মীশিংগী তঞ্খায়মুক্তা য়াম্বা মণিপুরগুম্বা অপীকপা ষ্টেট অমগী মচেৎ অমা ফক্তোক্লগা য়ুনিয়ন টেরিটরি অমা শেমদবা য়ারোই হায়না দেমোক্রেটিক ওইদবা মওংদা হায়রকপদা মদু য়াফম থোকপরা নৎতগা থোক্তবরা হায়বদু লোক সভা অমদি রাজ্য সভাগী থৌদোক্না ইকায়খুম্নজরিবা মেম্বর খুদিংমক্না নৈনবীয়ু হায়জনীংই। খন্নবীরক্কনি হায়বগী থাজবসু লৈজে।

মতম অমগী মালেমগী খ্বাইদগী চাউরবা লৈবাক য়ুনিয়ন ওফ সোভিএট সোশলিষ্ট রিপব্লিক (য়ু এস এস আর) না মমৈদা রুসিয়াদমক লেপহৌবগুম য়ুনিয়ন টেরিটরি শেমদবা য়ারোই হায়বগীদমক জো - কুকিশিংনা পার্লিয়ামেন্টতা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা খোঙজং চঙশিনবগী মহুত্তা মীতৈ হাৎলগা নৎত্রগা লমদম অসিগী অশেংবা য়েলহৌমী ওরিজিনেল নেটিভশিংগী মথক্তা নেশনল অমসুং ইন্টরনেশনল লোনা য়াদবা অফবা মখলগী খূৎলায় পায়দুনা জেনোসাইদকী মওংদা লান্দারগা অখন্ননা মীতৈ তুম্না হাৎলগা মখোয়গী টেরিটোরি শেম্বা, মথংদা সোভরেন কন্ত্রি নীংতম্বা লৈবাক অমা শেম্বা তারক্লগদি কুমজা ১৯৯১গী য়ু এস এস আরগী ফীভম অদু তারক্লোইদরা হায়বসি খন্ননীংঙাই ওই হায়জনীংই। ৱাফম অসি ইন্দিয়াগী থিঙ্ক টেঙ্কশিংনা পোলিটিক্সকী ওইবা ৱাফম থমদনা ইন্দিয়াগী নেশনল সিক্যুরিটিগী মতাংদা খন্থবীয়ু হায়জনীংই।

তেনশিঞ্জরকপদা থমজনীংবদি আর্টিকল থ্রীগী মখাদা ষ্টেট অমগী বাউন্দরি রিওর্গনাইজেশন তৌবদা মরু ওইবা ৱাফম অহুম লৈ মদুদি - অহানবদা লিঙ্গুইষ্টিক ক্লেম (লোলদা য়ূম্ফম ওইবা), অনীশুবদা ইকোনোমিক ক্লেম (শেন্মীৎলোন) দা, অহুমশুবদা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ক্লেম লৈঙাকলোন্দা য়েংলগা বাউন্দরি রিওর্গনাইজেশন তৌনখিবগী খুদম ফংই। হায়রিবা ৱাফম অহুমসিমক মণিপুরগী ঈরাং হায়বদি জো-কুকিশিংগী টেরিটোরি অমা শেম্বগী দিমান্দ অসিদা মরম চাবা পোৎশক অমত্তা লৈতে। লোলগী মতাংদা কুকি ত্রাইবকী লোলশিংগী মরক্তা অয়াম্বনা মণিপুরী লোল নত্তনা ফাওনলোল লৈতে। শেন্মীৎলোলগী মতাংদা ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা থবক তৌবা অচৌবা ফম পায়বা কুকিনা হেল্লি। শেন্মীৎলোলগী মতাংদা ঙসি ফাওবদা ষ্টেটনা কায়থোকখিবা চাওখৎ থৌরাংগী ফংফম থোকপা অয়াম্বা চীংগী শরুক্না ৱাৎপা লৈখিদে। কুকিশিংনা অয়াম্বা মতমদা শেল হেক পায়রকপগা মাগী খুল থাদোক্লগা দেল্লী, বোম্বে, ফোরেনগী মফমদা য়ূম শাদুনা লৈবা য়াম্না লৈ।

এদমিনিষ্ট্রেশনগী মতাংদা চীংগী লমগী পোপ্যুলেশনগা চানবা এম এল এ, মিনিষ্টর চপ চানা লৈ, মখোয়না শেমগৎচগদবা ঙাক্তনি। মখোয় মশেল ফংনদ্রগা মীতৈদা তায়নবা য়ারোই। পূন্নমক অসিগী মথক্তা আর্টিকল ৩৭১-'সী' গী মতুং ইন্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা চীংগী চাওখৎ থৌরাং য়েংশিনবীদুনা থোইদোক হেন্দোকপা খুদোংচাবা পীরি হায়বসি খঙনরবা ঙাক্তনি হায়জনীংই।

মরম কয়া অসি নৈনজরগা হায়জনীংবদি আর্টিকল থ্রী এমেন্দমেন্ট তৌদুনা অপীকপা ষ্টেটশিংগী স্পেশল প্রোভিজন হাপচিনহল্লগা হৌজিক থোক্লিবা চহী ২ শুরক্লগা করাম চাওবা কুকিশিংগী ৱাথোক অমসুং অসিগুম্বা তুংদা লাক্কদবা ৱাথোক কয়াদগী মতম চূপ্পগী ওইনা থিংবা ঙমগনি হায়জনীংই। ●